মণিপুরী মুসলিমস
(মীতৈ পাংগল)

১। মণিপুরদ মুসলিম লৈবরা ?

ঐখোয়গি মণিপুর সনা লৈবাক অসিদ লৈরিব পাংগল ঈচিন ঈনাও অসীগি মরক্ত করমব মুসলিম কাওবু য়াওরিবগে ? মখোয়না অহানব মণিপুরদ লাকপ মতমদ মোগল, পাঠাননচিংব ওইরকপ্ অদু ওসিদি ওইত্রে হায়বদ য়ানিঙত্রিবরা ? মরমদি মখোয়না লাক-পদগি ওসি কাওবদ পাংগল ঈপা ঈপলশিংদগি ঈচিন ঈনাওশিং য়োব কাওবদ "মিয়া" হায়ব অসী চপ মায়না শীজিন্নখ্রবনি। খান, পাঠান, সৈয়দ নাইথিত্রবনি। অদুন মুসলিম লৈরিবরা হায়বনি। অদুগ রা অমদ হায়রগ পৃথিবীদ লৈরিব জাতি পুরমক অসীগি লৈফম, লোলনচিংব অসী মমাদগি লওদুনা হায়নৈ, মপাদগি লওনদে। হৌজিক মীতৈ পাংগলগি লোল, মীতৈ লোল নত্তব করমব অম লৈরিবগে ? অদুন মমা লৈবাক লৈব মীন মমাগি মচুংইন্না খোনব মিং হোৎনদে মমাঙৈগী মীতৈন লোংচুপলোমদগী লাকপ মী পুরমকপু পাংগল কৌরবনি। অদুদগি খাগেমব মহারাজগী মতমব কাহোব মুসলমান

শিংবু বাঙ্গালা দেশদগি লাকপনি হায়জুন পাঙন কৌরগ অহোম কাণ্ডবুসু ময়াং কৌনখি। মখোয় অসী থাদোকপিরিবদ লৈবাক অসীগি চাকহোঙ ভাহোঙব, লৈবাক লৈহাউ চেনব অমসুঙ নিংথৌন মী পুন্নমকপু চানবিব উবদগি থাগেনবা মহারাজন হায়জনুন লৈখিবনি। থাগেনবগী লানকাদগি হানব পাংঙল মণিপুরদ লৈতে। অদুন মণিপুরদ লৈরিব মীতৈ পাংঙল ঈচিন ঈনাওশিং অসীবু ঐখোয়গী মমা লৈবাকনা থোনব পাংঙল হায়ব মমিং অসী তোকতুন মুসলিম কৌরবদি ঐখোয়গী মখোয়বু থাপতোকপ অমসুঙ মুংশিনদনব তৌবা-তারোইদ্রা? অদুগ পাংঙল ঈচিল ঈনাওশিংস্ন পাংঙল হায়ব মিংগৌ অসী তোকতুন মুসলিম ওনবদি মমাবু মুংশিনব, মমাগি তৌবিমল থডনব অমসুঙ মীতৈদগি থাপতোকনিডব রাখল অম তৌব মী তারোইদ্রা? খন্নতুন য়েংবিয়ু, মীতৈ পাংঙল ঈচিন ঈনাওশিং অসী মীতৈ মমান পোকপনি, মখোয়গি পোক্কম লমদম মীতৈ মমাগি লম মণিপুরদনি, মখোয়গি মমারোল মীতৈ লোননি, মখোয়ন মী ওইনব চারি থক্কিব পোৎ পুন্নমক মমা লৈবাককি পোৎ ভাকতনি। মণিপুরদ লৈরিব পাংঙলগি লোল, মীতৈ লোল নত্তব করমব অম লৈরিবগে? মরম অসীন মীতৈ পাংঙলগ মীতৈগ ধর্ম্ম ভিন্নত্রবস্থ থাদোক্কব য়ারোইদব মরীনি। মীতৈ পাংঙল অসী ইসলাম ধর্ম্ম চংশু মীতৈ কুরাণ, অমনি হায়দন মুসলিমনি হায়রবদ পাংঙল ঈমা ঈপৌন, ঈচেম ঈচল লাইরিক হৈডনী কাওবুন থম্মোই শোক্ন বাসনব য়ায়াম ওইরককনি। অদুগ মমাবু হলানবগি থোবন মতুং [illegible] পুন্নোং [illegible] পোক্কবগ য়াই। মুলনু খন্নতুন য়েংলদ মীতৈ পাংঙলন মুসলিম [illegible] মৌলবী, মৌলানাচিং লাইরিক হৈরেব, মশানাগি

ঈরাং উবুর কাওবুতন পামগদবনি। অদুগ প্রোফেসার জনাব খানন মণিপুরী মুসলিম লামাই ২৯দ ইরিব—"মণিপুরদা লৈরিবা মুসলমানশিং অসি মখোয় মুসলমাননিদি হায়রগ মুসলমানগী ধর্ম অদু মখোয় মুন্না খঙখিদে হায়রি। মুসলমান মুপীমু মৈতৈ মুপীগুমনা পর্দা থমখিদে। মণিপুরদা খৃ: ১৮৭৩ কাওবদা মসজিদ লৈরমদে" হায়ব বা অসীনি মীতৈ পাংগলশিং অসী মুসলিম নত্রে, ইসলাম ধর্ম চৎপ মীতৈ মুরূপ অমা ওইরে, মণিপুরদ মুসলিম লৈতে হায়ব কক্কন তাকলি। মরম অসীন আলি জনাব খানন মহাকবি লাইরিক অসীগি মমিং ইমো-নৌন "মণিপুরী মুসলিম" থোনব অপী করমব রাখন্দ থোনবনো হায়ব ঐখোয়ন খরদ খর লুন থোকই। অদুগ লেখকন মহাকবি লাইরিক অসিদ ঔরঙ্গজিবকি মরামবুং শাহসুজাগি মরমদ খর হেনন নৈননিংঙব রাখল অমগসু উৎলি। শাহসুজান মণিপুরদ চঙলমব ওইরগন করি কান্নগদব লৈবা, চঙলমগগ করি কায়ব, মাগীসু খনবদ অরুব রাকমনি। লেখকন নিঙব অম লৈ হায়ব কাওংদি খঙই।

২। লাইরিকয়েংবম নোংশামৈ কনানো?

প্রোফেসার জনাব খানগি "মণিপুরী মুসলিম" মীতৈ পাংগলগি মরমদ য়াম্ন ফব লাইরিক অদুগ মণিপুরদ মকম খঙদন লৈরব মৈতৈ পাংগলবু শয়েঙ পায়দুন মখোয়ন চৎকদব লম্বী তাকপীব ওইবি ইরি। অদুগ মীতৈগি অহৈ-অশিং কয়ান প্রোফেসারগি লাইরিক অসী পাবিরগ অপায় থাগৎ রাহয় কয়াসু তাকপিরি। লাইরিক অসিদ ইতিহাসক মরী লৈনব কজ কজরব থোথোক, পাংগল

জাতিন মীতৈ সমাজগি চাওখৎ লম্বীদ পীব সংস্কৃতিনচিংবনি হায়দুনা হায়না ফজন ইগ্নি। অদুগ প্রোফেসার অসি জনাব খান ইরিবা "মণিপুরী মুসলিম অসি লাইরিকয়েংবম নোংশমৈ (ধনঞ্জয়) না ইরম্ব 'নোংশমৈ পুরাণ'ন মুক্ষম ওইরগা ইবা লাইরিকনি" হায়রব অমীন তাকপদি লাইরিকয়েংবম নোংশমৈ হায়ব অসী পাংগল নত্তে, মীতৈনি, 'নোংশমৈ পুরাণ' ইব নীপানি। লাইরিক অসী ইতিহাসতা মরী লৈনন ইব লাইরিক ওইবন মোত পীবিরিব অসী নোংশমৈ পুরাণদ ইগ্নিব থৌদোকশিং অসী চহীনচিংব মতম চানদুন য়েংবিরগ জনাব খানগি ময়ায় য়েংদুন ঋারোল খর খর ইবিরকপ ওইরমগনি।

৩। নোংশমৈ করম্ব মতমগি পণ্ডিতনো ?

মফাং অসিদ নোংশমৈ করম্ব মতমগি মীনো হায়ব অদু নৈনদুন য়েংসি। হৌজিক্কি মীতৈ লাইরিক অম অনী পাব থোকপা মী কাওব পণ্ডিত হায়নরি। অদুগ মতম অদুদদি লাইরিক ফন হৈদুনম্ব নিংথৌনা ঝিকপাইজ তৌত্রবদি পণ্ডিত হায়নদে। মখোয়বু করিগুম্বদ পণ্ডিত [illegible] মাংগোল পণ্ডিত (ঘর পণ্ডিত) হায়নৈ। অদুন লাইরিক-[illegible] নোংশমৈন পণ্ডিত ওইখিব অসী করম্ব মতমদনো, করম্ব নিংথৌগি পণ্ডিতনো ? মথাক 'নোংশমৈ' নত্তব করম করম্ব লাইরিক ইরমবগে ? মাসী য়েংদন অমদি থঙদন পণ্ডিত হায়ব য়াদে আনি জনাব খানন নোংশমৈবু "খাগেম্বা মহারাজগী মতমগী অফাওবা পণ্ডিত লাইরিকয়েংবম ধনঞ্জয় হায়ব অদুন ইবিরম্বনি" হায়ব মরম [illegible] পুরাণ ইখিব মতম অমসুঙ মহারাজগি পাণ্ডুলিপিংগি মখুংন [illegible] [illegible] [illegible]। মীতৈগী খাম্মোন [illegible]

নোংশমৈ হায়ব নীপা মাওঙী, পণ্ডিত ওইবগি বা য়াওদে। [illegible] অমীগি বা মীতৈ পুরাণশিংদ উ'দ। অদুবু প্রোফেসার জনাব খান ইবদ মহাক খাগেম্ব মহারাজগি মতমগি মীনি হায়ব অদু অনুমা তাকলি। মতদি—"মুনোন খান্ন খাগেম্বগি মখন্নায় লৌবগে হায়দুনা তা থাজৎলবদা নোংশমৈ (লাইরিকয়েংবম ধনঞ্জয়) অথৌবনা মুসল-মালপোমগী মী শারগা ময়াংলোন্দা মণিপুরী নিংথৌনি, নিংথৌ কারবনি+ + + +" হায়দুন মহারাজবু কলহলখিব বা অসীন শেংন তাকলি। মরম অসীন নোংশামৈ তৌবুলগি লান্দ য়াওরব মীনি। অদুগ 'নাংশমৈ অথৌব হায়ব অসীন নোংশমৈ পণ্ডিত নত্তে হায়ব তাকলি।

৪। নোংশমৈদা নোংশমৈ পুরান ইবরা?

লাইরিকয়েংবম নোংশমৈমকন নোংশমৈ পরাম অসী ইরমত্রা, নত্রগ কনাগুম্ব কুঠনীতি হৈব মীপা অমন নোংশমৈ শাদুনা ইবরা হায়ব অদু নৈনফম থোকই। তৌবগিদি, লেখক জনাব খানন নৈনব য়াব মথৈ নৈনরগ বাহৌদোক লামাই ii দ "মণিপুরী মুসলিম" হায়ব লাইরিক অসী মরুওইনা "নোংশমৈ" পুরান্দ যুক্তম ওইদুনা ইজবা লাইরিকনি। 'নোংশমৈ' হায়ব পুরান অসী মরু ওইনা মণিপুরী মুসলিমগি মরমদ ইবা ইতিহাসনি। লাইরিক অসি খাগেম্বা মহারাজগী মতমগী অফাওবা পণ্ডিত লাইরিকয়েংবম ধনঞ্জয় হায়বা পণ্ডিত অদুনা ইবিরম্বনি। "মসিনা তাকপদি নোংশমৈ পুরান অসী ইবেঙেঙ, খাগেম্বগি মতমদ লাইরিকয়েংবম নোংশামৈনা ইরম্বনি হায়ব অদু প্রোফেসারন য়েংলদ লেপ্লবুনি। মসিদ পাঙনগি

ইতিহাস ওইন ইব লাইরিকপু মরম ইচা চাদন 'নোংশমৈ' থোনব অসী অওকপ ৱাফম অমনি। ৱাহৌদোক লামথাই ii–iii দ. ইরিব "নোংশমৈ হায়বা পুরান অসী মরু ওইনা মণিপুরী মুসলিমশিংগী মরমদা ইবা ইতিহাসনি" হায়রি। অদু ওইরবদি থবক্তি মতুং ইন্না মমিং অসি "পাংগল খুম্নোক" নত্রগা "মুসলিম খুম্নোক" হায়বন চুম্মনি। অদু নত্তন 'নোংশমৈ' থোনব অসীন লাইরিক অসী অশেম্মরা, মীনম্মরা খল্লব ওমদে। নিংথৌন চানগ্রব নোংশমৈ, নিংথৌন মুপী পীত্তুন য়োকখ্রব পাংগলগি ইতিহাস ইরগ মীগি মমিং ৱায়দুন মমিং থোনব অদুগ কোম্নুংগী লাইরিক লোয়শওদ (লাইব্রেরীদ) থনমদব অসীন লাইরিক অসী লৈবাক নিংথৌন খওনব লাইরিক মাল্লি।

৫। জনাবকী ৱাদগী মতম নৈমবা।

হৌজিকতি নোংশমৈন নোংশমৈ পুরাণ ইরমঙ্গ হায়ব প্রোফেসার আলি জনাব খানগী ৱা অসী ময়েক শেংনব ঐখোয়মু প্রোফেসারন নোংশমৈ পুরাণদগী খনগৎলিব ৱাদ য়েংদুন মতম্মচিংবা য়েংসি। নোংশমৈ পুরাণদ ইরিব লোন্দা অসী নোংশমৈ মশাবু খাগৎচব খর, মৈতেওঙ্গু খাগেম্বনচিংব মীতৈ নিংথৌবু খাগৎপ ৱাঙাঙ্গদ পাংগলগি মতিক মগুণ, মথৌনা অদুগ পাংগল অসী অচৌব শাগৈনি মশক তাকপ ৱান মপুঙ ওইন ই। নোংশমৈ পুরাণগি ৱান লাইরিক-য়েংনম নোংশমৈ অসী শকাব্দ ১৫২৮ দা খাগেম্ব মহারাজগ পাংগলগ ৱাংখোই কারোংদ থেংনব লান্দ ৱাওয়ে। মহাকন খাগেম্ব মহারাজবু মুঙ্গোল খানগি মপুৎতগি কনখিবগি ৱা মণিপুরী মুসলিম-শেক্স ও পি

ৱা পন্দুপ ৩ দ পনজখিব অদুন নোংশমৈ হায়ৱ নীপ। অসী খাগেম্ব মহারাজগি মতমগী মীনি হায়ৱ তশেংন উৎলে।

অদুগ নোংশমৈ পুরাণ অসিদ ইবন খাগেম্ব মহারাজগি য়াংগোই কারোঙগি লান্দগী গরিবনিৱাজ মহারাজন কবো লাল চৎপ, উখ্রুল লাল চৎপ ফাওবগি ৱা ইরি। মদুদি – "গরিবনিৱাজগী সনা হাক্তক্তা কবোদা লাল চৎপদা য়াওখিবা মুসলমান লুচিংবদি—মকক মচা খুঙমগা, মুবা অকনবগা, খুল্লাকপম চাদি ঙৌবা, মকোরোক অথৌবগা, পাশৈ চাদি খোঙম অথৌবগা, লময়েং অথৌবগা, মুগোল মচা তোনবা অথৌবা, মোংদাম চাদি খুঙমগা, অরোই লাকোং অথৌবা পাঠান চাদি বাক্রুলা অথৌবা, মুতুম চাদি মোইঙাং অথৌবা, ফুক্রে চাদি কিয়াং অথৌবা অসিনি।" (নোংশমৈ লামাই ২৫)।

অদুগ "গরিবনিরাজ মহারাজন উখ্রুলদা লাল তাবদা মাঙহৌব মুসলমানশিংদি—পাৎশোয় শিল্লাই, খুড়ম, মোতে, খোইনাই, ফুক্রে, তাংনম, থোংখোং, খাকোং, লুংচাই, চেংবা, রাংজাং তোকপা, তুলাই পাবা তোনবা, খুল্লাকপম তোনবা, কোমান তেনবা, বালা অসিনি।" (নোংশমৈ লামাই ২৫)।

মাসিদ হায়জনিঙব ৱাফম অম লাকই। গরিবনিৱাজ সনা হাকথক ফাওবদ আলি জনাবন ইবিবদ 'অথৌব ঙাকত ওইন উই। মথোয় অদুগি মচা মশুন্দ অথৌব ওইফম থোকপদ মণিপুরদ ঙৈৱান নৈব মতমদ পাংগল লাম্নীগি ৱা অমত পন্দব অদুগ ঙৈৱাগি চহী ৭ খুন্তাক্তি গম্ভীরসিং নরসিং মচীন মনাওন ঙৈৱা তানথোকপদ পাংগল য়াওবগি ৱা থেংনদ্রব অসী ৱাই, কে, শীত্রেন হায়ৱ তাংখুল জাং অদু

ঔব্রা কিডুন তাংখুল মরক্ত লাৎপদগি লৈখিব ওইরম্ব য়াই। মথক্ত পীরিব কবো লাল, অমস্তুঙ ঔখ্রুল লাল অসীন নোংশমৈ পুরাণগি মতমগি য়া পীরি।

৬। নোংশমৈ পুরাণ ইবগী মতম।

হৌজিক্কি নোংশমৈ পুরাণ ইবগী মতম খিরস্সি। খাগেম্ব মহারাজন কম্বাল কাব অসী শকাব্দ ১৫১৯ দনি। অদুগ গরিবনিরাজ মহারাজন কবোগি লাল চৎপন শকাব্দ ১৬৪২ দনি। অদুন মতম অসী চহী (১৬৪২ – ১৫১৯) ১২৩ নি। অদুগ খাগেম্ব মহারাজন কম্বাল কাব অসী মশাগি চহী ২৪ শুবদ কাবনি। মাদু হাপ্লগা চহী (১২৩ + ২৪) ১৪৭ শুই। মরম অসীন নোংশমৈ (ধনঞ্জয়) গি চহী পাব তারবদি খাগেম্ব মহারাজগ লাল চৎমিন্নৈ হায়ন নোংশমৈন ইব মতুংইন্না ফীভম য়েংডুন লেপ্প তাই। মহাক অসী মীতৈ পাংঙলগি লান্দ অথোব অম ওইন মহারাজবু কলাহনখ্রবনি। মতম অদুগী য়াদ য়েংবদা মহাক্ক খাগেম্ব মহারাজবু খর হুনবগি মতৌঙম ইরি। অদুবু অমবু ওইরবস্তু অমবু ওইরবস্তু লাইরিক-য়েংবম নোংশমৈ, খাগেম্ব মহারাজগি লেংবা ওইন লওজরে। মথক্কি চহী অসীদ খল্লবদি নোংশমৈ পুরাণ অসী খাগেম্ব মহারাজগি মতমদ ইব পুরাণ ওইফম থোক্কে। অদুনদি লাইরিকয়েংবম নোংশমৈস্তু পুরাণ অসী ইফম থোক্কে। মরমদি নোংশমৈ চহী ১৪৭ য়েন পুক্লিফম থোক্কে। মহাক্ক পুরাণ অসী খাগেম্ব মহারাজগি মতমদা ইব তারবদি চহী ১৪৭ কি মতুংদ থোকপ গরিবনিরাজগি মতমগি য়া ইরিব অসী লাল্লী। মরম অসীন আলি জনাব খান বাহোদোক

লামাই iii ত ইরিব—"পুরাণ অসী খাগেন্দ্র মহারাজগি মতমগি অফাওবা পণ্ডিত লাইরিকয়েংবম ধনঞ্জয় হায়দা অতুনা ইখিরম্বনি" হায়ব বা অসীসু লাল্লী। ঐখোয়ন ননরিব অসীন ৰংবদি নোংশমৈ, খাগেন্দ্র মহারাজগি মতমগি মীনি। অদুগ নোংশমৈ পুরাণ খাগেন্দ্র মহারাজগি মতমদ নোংশমৈন ইব লাইরিক নত্তে। গরিবনিৱাজ মহারাজগি মতমদ নত্রগ মতুংদ কনাগুম্ব কুঠনীতি হৈব নীপা অমন অইব ফাব ওমদনব নোংশমৈগি মমিং হুরান্দুন ইবনি। অদুগ নোংশমৈগি মতমন চহী ১৪৭ কি মমাঙদ ওইগ্রবন মহাক্ল গরিব-নিৱাজ মহারাজগি মতমদ ইবনি হায়বসু ওইফম থোক্তব মীন য়ারোইদব রানি। অসীগি মথক্ত খাগেন্দ্র মহারাজগি মতমত নত্তন মণিপুরগি অফাওব পণ্ডিতশিংগি মনুংদ নোংশমৈ কৌবা পণ্ডিত অমত য়াওখিদে। অতুন প্রোফেসার আলি জনাব খানন মহাকপু খাগেন্দ্র মহারাজগি অফাওব পণ্ডিত হাযব অসী খণ্ডদবদগি পংহায় হায়বনি। নোংশমৈ পুরান অসী অইব মী অমত্তুও ইখিব মতম খণ্ডদব অসীমক্ল মণিপুরগি কোনুংগি পণ্ডিতশিংন বিকয়াইজ তৌদে হায়ব চাকঈ। মরম অদুন নোংশমৈ পুরাণগি মরা লওব য়াদে।

। নোংশমৈগী লোন্দা।

মথককি পন্দুপত নোংশমৈ পুরান হায়ব অসী গরিবনিৱাজ মহারাজগি মতম নত্রগ মতুংদ ইবনি হায়ভখ্রে। হৌজিক নোংশমৈদ ইরিব লোন্দা অসিদ করম্ব মতমগি লোন্দানো হায়ব অঙ্কু মুক্তং য়েংলসি। ঐখোয়গী অরিব মীতৈ লাইরিক্ত অতোপ্প লানয়াল চঙব হৌব অসী গরিবনিৱাজগী মতমদ নোংচুপলোমগি

লাইরিক্কুগি মীতৈলোন্দ হন্দোকপ মতমদগি ৎৌখিশনি হায়ব য়াই। অতুন মণিপুরী মুসলিমগি লামাই ৫ দ ইরিব নোংশমৈ পুরানগি য়া অসিদগি হৌন য়েংলসি। মতুদি:—"পোইরৈ ঐখোয়দা লোইবা পুরুম্বনা ফবরা, নখোয়গী প্রান থবায় মাঙবনা ফবরা?" প্রসেনা লানজিংবগি পাউখুম—"ঐদি থোংনাং অতৈবা ময়াং অরম্ববু মত্তে, তবক সনা·নৈবাক্কী দক্ষিন খানা পাংবরমগী নবাবনে। ময়াং মীনম্বগীদমকপু মীস্নং লাংগীবু শিংলেল অরেম্বদা প্রান থরায় মাঙবদি ফত্তে।" অতুগ লামাই ৭ ত ইরিব—"খুৎশু খুৎলাই নোংমৈ পিয়োং পুম্নমকপু পীরবদ রাত্রি ইনুংমদা হুয়েল লাল্লম শীল্লে।" অতুগ "মংশা লাকপা ৪ মনচিংনা প্রান থরায়দি শিহন্দনা" অমস্তুং লামাই ১০ দ ইরিব—"নাংপোক হুমোংবগী তীর্থ লাইফমলেল", "লংনা পাইরকপবু শুন্য অতিয়াদা", অতুগ লামাই ১৩ দ ইরিব—"খুলি-খুলা তৌনা শমু খুৎ শম্বে হায়দবরা" মথক্কি অসিদ য়াওরিব প্রান, দক্ষিণ, রাত্রি, তীর্থ শুনা, খুলি-খুলা নচিংব য়াহয় হায়ৱ অসী গরিবনিৱাজ মহারাজগি মতমগি লাইরিকত ইব খুৎইনি। মরম অসীন নোংশমৈ পুরান হায়রিব অসী গরিবনিৱাজ মহারাজগি মতম নত্রগ মতুংদ ইব লাইরিক ওইফম থোকই। অসিগি মথক্ত প্রোফেসার জনাব খানগি লোন্দাদ "হায়নৈ, অস্তুম্না ভাই, ওইরম্ব য়াই" অসীন্নচিংব অরেম্ব খণ্ডব য়াঙাঙ ঙাক্ত ইব খুৎই অসীন ইতিহাস ওইব য়াদবন মণিপুরী মুসলিমবু ইতিহাসনি হায়ন প্রমাণ পীব ঙপয়া য়ারোই।

৮। খুংশা হৈরনাচংব।

মণিপুরী মুসলিম চহী ১৬৩ "লৌ-লিংব" হায়ব মতাং অম যাওরি। মাহ্মুদ আলি জনাব খানন "নোংশেমৈ পুরাণগি মখুং ইরোল মণিপুরদা খাগেম্বা মহারাজগী মমাঙ ফাওবদা লৌ লিংবা অসী খঙলরমজে। মুসলমানশিংনা ইখান চানবা ওইনা মণিপুরদা খাগেম্বা মহারাজগী হকতা লৌ লিংবা হৌদোকখি" হায়ন ইরি। মালিম হায়জনিঙবদি প্রেকেসার জনাবন নোংশমৈবু [illegible] অমদি লও উব লও লিংবগী মরম ইব মীতৈ পুরাণ লৌয়োম আইরেম মচীন মনাউগী লওতারোল, মীতৈ হয়াউবদ য়াওরিব পানথোইবী লওতারোনগি মতাংদ লওলিংবগি জগোই থুংথেকম উৎলিব অদু উদবন নোংশমৈগী বান মচুমল্লে হায়ন খল্লাগি ইবনি। মীতৈন লও উরকপদি বুট মাঙ চা কয়াগি মমাঙদাগি উরকলবনি। অসীন পাংগল লাকলগ মণিপুরদ লও লিংব হৌদোকই হায়ব য়ারোই।

অদুগা চহী ৬০ দ চেশুম শাগৈগি মতাংদ ইরিব "চেশুম শাগৈগী মখুদো শৈখ চুনেৎ ভকে চুনা লিয়া হায়বা অসীনা চ শারগি নিয়ম পুথোকখ্রুনা মণিপুরদা বা চপখায়বগা চে শাবা হৌ-দোকখি' হায়রিব অসী চপখায়রগ চে শাব হৌদোকলম্বদি য়াই। অদুবু মণিপুরগী মীতৈ চে অসীদি বা চপখায়রগা হৈর চে নচ্ছের মণিপুরর খায়নমগী চৎলরকপ মীতৈ চে অসীদি পাংগল লাকখ্রিবৈরগি মমাঙদগি চুগি লিমোল শুমরগ চে হৈবুন শীজিনরবনি। মীতৈন লাইরিক ইবদ শীজিন্নবদি কোনা মশা, আগার শাৎ, চুগি মীতৈ চে অসী অরি অকাঙব চৎনরি। অসীদ চুগি লিমোলদ শাব চেবু [illegible] খানুন লৌরবগি মেচিলন বা চপখায়রগ শাবগি বাখল

পুশিনবনি।" অছন মণিপুরগি মীতৈ চে প্যাংঙলন শাব হৌরোকতে।"

অদুগ প্রোফেসার আলি জনব খানন মণিপুরী মুসলিমদ মীতৈগি যৌল্লাইবু—"দোলাই হায়বা ফমনাই কানাইবনা হৌজিক তোং-রিবা পোৎশক অসি 'খাগেম্বা মহারাজদা মুসলমানশিংনা শারগা খুদোল পোৎ ওইনা কৎখি" হায়না ইরি। লাইরিক অসী জনাব খানন ইতিহাসনি হায়রি, মতম চান্দ্রবদি ইতিহাস ওইব য়াদে। চৈথারোল কুম্বাবদ দোলাইগি মরমদ ইরিবন—"মৈতেঙঙু খাগেম্বনা দোলাই তোংবসু অদুগুম হোয়ে" হায়ব অসী শকাব্দ ১৫২৭ত ইবনি। অদুগ মণিপুরদ পাংঙলন লালতারবন শকাব্দ ১৫২৮দ লাকপনি। চহী অমগি মমাঙদ থোকখ্রব থবকপু মখোয়ন হৌদোকপনি হায়ব অসী মপাবু মচান হল্লী হায়বগুম্বনি। মীতৈ দোলাই শীজিন্নবদি নিংথৌন ফমবাল তোংলগ শঙ্গাই ফাওব লেঙশনবদ দোলাই তোংবগি চৎনবা লৈ। "পাখংব ফম্বাল লোন্দা" উবীগনি।

অদুগ মণিপুরী মুসলীম লামাই ১৯ দ "ফিশা লোনশাগী "মতাংদা মুসলমানশিংনসু অনৌবা পোৎ মখল খরা পুথোকখি হায়বগী লারবা খুদম হৌজিক ফাওবা মণিপুরদা লৈরি। 'মাতুদি পাংঙল ইয়োং, পাংঙলদেমনচিংবা অসিনি'ঃ হায়ন ইরি। মাসিদ হায়জনিঙবদি আলি জনাব খানন বাহয় অলীগি হৌরকপগি রাখল অমসুঙ মণিপুরদ লৈব মী অসী কি শাদুন শেৎলম্বগি রাখল তৌবিদবন 'পাংঙল' বাহয় য়াওরে, পাংঙল পুথোকপনি, হায়খি-নি। মাসী "পাংঙল ইয়োং" হায়ব নত্তে, "পাং ভিংদুন শাব ইয়োং" হায়বদগি বয়জিরগ 'পাংয়োং' ওইখিবনি। অদুগ পাংঙলদেমন "মতম পাঙব

তেম" হায়বদগি 'পাংঙম তেম' হৃগি থৈথয়রক্কনা পাংঙনক্তম নত্রগ পাংঙনদেম ওইখিবনি। মখোয় অসী পাংঙলন পুখোকখিব নত্তে। মীতৈদ পাংয়োং শাব, অসী খৃষ্টাব্দ ৩৬ দ কমবাল কাখিব মৈত্তেঙঙু লোংতা লাইরেল পাখংবগি ঈবেম্ম শাইসনা মৈতৈ লৈমন নিংথৌ কি শাংগ মতমদ হৌদোকখি। অদুগ পাংঙনদেমদি থ্বাও শাব মতমদগি শীজিন্নরকলবনি। পাঙলদেমগি পাংঙল রাগয় অসী হজরত মহম্মদকি ইসলাম ধর্ম্ম লৈতিংকদগি লাক্লবনি। মণিপুরদ পাংঙলন লাকপদি শকাব্দ ১৫২৮ (খৃ: ১৬০৬) ত লাকপনি। অদুন করম পাংঙলন পুখোকদৌরিবনো? মীতৈগি পাংঙলদেম মওঙ অসি ওসি ফাওব ভারতকি করিগুম্ব মফমদ শীজিন্নব উরোই। শ্রম্ম হায়রবদ খুংশা হৈব, ফিশ-লোনশাগি থবক অসীদি খৃষ্টাব্দ ১০৭৪ ১১১২ ফাওব পানখিব মৈত্তেঙঙু লোয়মবন য়ুম্নাককি মথৌ য়েনবদ য়াওব্রবনি। "লোয়ম্ব শিলয়েল" দ য়েংলগ থঙবিগনি।

৯। পাংঙল য়ুমনাক।

মণিপুরদ লৈরিব পাংঙলগি য়ুম্নাকশিং অসী মখোয়ন লৈরুব লম অমসুঙ মখোয়ন তৌব শিনফম য়েংহুন থ্রাগেম্ব মহারাজন মবুথৌ মৈত্তেঙঙু লোয়ম্বন শিনফম য়েনবগি লাইরিক "লোয়ম্ব শিলয়েলগি" পথাপ মতুং ইন্ন থোনখি।

পাংঙলগি অরিবম শাগৈগি মরমদ মণিপুরী মুসলিম লামাই ৫৩ দ অসুম্ন ইরি। মদুদি—"অহনশিং অসি মণিপুরগী নিংথৌনা লোংবৈ শাহয়বগীদমক্তা আসামদগী মণিপুরদা পুশিলকখিবনি হায়না অরিবম শাগৈগী অহল লমনশিংনা হৌজিকসু হায়লরি। মখোয়না মণিপুরদা

লাকখিবা অসি মুংয়াম্বা মহারাজগী সনা হাজক্তনি (খৃঃ ১৫৬৪) হায়নৈ।" অদুগ মাসীগি মথক হেক থংনব পেরাগ্রাপত ইবন--"হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা মুসলমানশিংগী শাগৈশিং অসিদি শাগৈগী অহল অমনা তৌরুবা শিনফম নত্রগা লৈরুবা মকম অসিনচিংবদগী লৌদুনা থোনখিবা শাগৈগী মমিং ওাক্তনি" হায়রিব মথক্তি ৱ. অসীগি মতুংইন্না মখোয়গি য়ুম্লাক মমিং অসী নোংমৈ শাহন্নব পুরকপা মরমন মখোয়গি শিনফম মতুংইন্ন মখোয় অসী "নোংমৈ শাবম" ওইফম থোকই। অদু নত্তন মখোয়বু অরিবম' হায়ফম থোক্তে। মরমদি খৃ· ১৫৬৩ দ মণিপুরদ আসামদগি পাংগল পুশিনখিদে। মুংয়াম্বগি মতমদ কুম্বাবদ নোংমৈগি ৱা য়াওবদি "শকাব্দ ১৪৮৫ (খৃ: ১৫৬৩) দা মুংয়াম্বনা খামরল লময়েন্নবদা নোংমৈ অনী লোক্লকায়" হায়ন লৈ। আসামদগি পাংগল পুশিন্নকপগি ৱা য়াওদে; মণিপুরদ পাংগলন লাকপদি খাগেম্ব মহারাজগি মতমদ লাকপন অহানবনি।

মতাংঅসিদ হায়জনিঙব অমন আলি জনাব খানন হন্দক মণি-পুরী মুসলিম হায়ব মুসলমানগি ইতিহাসনি হায়দুন ইরিব অসী লাইরিক ২৪ নৈনবগ ইবনি হায়ন লামাই ৭৭ ত ইবিরি। অদুগ ইরকপন মীরা তারগ ইব ওইন তৌবি। মাদুদি:- অরিবমগি মতাংদ "মখোয়না মণিপুরদা লাকখিবা অসি মুংয়াম্বা মহারাজগি সনা হাজক্তনি (খৃঃ ১৫৬৪) হায়নৈ।" অদুদগি "মখোয় অসিবু হায় লিনা লৈরমগে হায়দুন অরিবম হায়না কৌনখি হায়রি। + + অদুম মতুংদা থংনব্রে হায়রি।" অদুগ "অরিবম কাংবু অসী মৈতৈগি লাকন্দা য়াওদুন লাল শোক্লখিন্নু হায়নৈ।" "মী পুন্নমকপু মহাক্রা লাক্লুনা লৈহনখি হায়নৈ।" অসিদ ইরিব মওও অসীন থার্ন

সাহেবকি লাইব্রিক অসী ইতিহাস নত্তে, পাংঙালগি অহল-লমনশিংন লীব মুক্কা রারোনি হায়বদ থোইন কায়রোই।

১০। শগোল কাংজেই।

প্রোফেসার আলি জুনাব খানন শগোল কাংজেইবগি মরমদা মণিপুরী মুসলিম লামাই ২০-২১-দ ইবাখনগি শাক্তি "মিসর ফোর মাই করি" দ ইব বা — পোলো অমী থাইবগি ইরান মক্কা মরাক্তা লৈবাক-তগি হৌখিরেনি হায়ন ঙরি" হায়রগ জনাব খান মনাক্তা অমুক 'শগোল কাংজৈ মহাননা হৌখিবদি নোংদা লাইরেল পাথংবগি অ মথাংদগিনি। (কাংজেইরোল)" হায়ন ইরি। মাখোই তাকপদি জনাব খানন ইরান শাহনা হৌদোকপনি হায়নিংবদ কাংজেইরোলগি বা পল্লগদ কায়খ্রে। অদুমক্তদ মণিপুরন হৌদোকপনি হায়নিংলবা S. Harvey গি Brigadier গি বা অমুক পুথিদুন শিলচর পোলো ক্লব, অমসুং কলিকত্তা পোলো ক্লবতা ইংলিশ ক পোলো শামখিব লোচকপ ইনট্রেবিটেন্ট হায়ব ঙম ইরি। ক্লব অমীদ শাম্মখিব কাংজেইরোল অদু মীতৈ মচা নত্তুন অক্তে নত্তে। শকাব্দ ১৭৯১, খৃঃ ১৮৬৯ দ কলিকত্তা পোলো ক্লবকা কাংজেই শাম্মব চৎপ মীশিং— "লংমাইথেম্বা চন্দ্রকান্ত, অহৈবম মধুসিং, কোংথা কেন্নো, থোকচাও নাম্বুং, মায়োন কুমাইলাংথম মণিক, য়েংখোম চাওবা, ঙিংথম অঙাং-মচা, খোয়াইরক্পা তোনজুব মমাংগল, এলাংবা চৈতন্য হাজারী, ময়েংবা পেদাম সিংহ মায়েন শামুরাইলাকপম কাম ১৮" অমীনি। মাহুদ পোলো ক্লবত্তু মানবদে থাকল ১৩ গোইরকই লুপা ১২০ পীরে; মহারাজন লুপা ১০০ গ মোরমোন খেলেং অমুক্তগা লেনবি হায়ন চৈথারোল কুপ্পাবদ ইরি। মতুং S. Harvey গি Brigadier গি

রা —"It was a national game played in most villages for hundreds of years before the Moghuls and continues to this day, as it does in the north east hills in Cachar and Manipur since the Tartar invasion about AD. 700." মাসীমক্ক টাঁরটার লাকপগি মতম-গিন কাছাড়, মণিপুরদ ডসি কাওব শগোল কাঙজয় শান্নরি হায়রি। মরম অসীন ইরাণগি শাহন শগোল কাঙজয় শান্নব হৌদোকপনি হায়রব অছু লৈতোনদ শক্ক পানদবগি হায়বনি। অতুগ মৈতেইশিং খাগেম্বন শগোল কাঙজয় শান্নব হৌবগি রা কুম্বাবদ ইরিব অসীদি পানা শগোল কাঙজয় শান্নব, পানা কাঙজয়দ শেৎপ চিনব হওনা পোৎ হৌদোকপগি রানি। মাদুদি :—' শগোল কাঙজয় শান্নব হৌং অঁছুবৈগী নখৈ হৌয়ে, লেং খাংপকলৈ চিনবসুং অছুবৈ হৌঞ" হায়রব অসীন তাকঈ। মরম অসীন ইরানগি শাহন শগোল কাঙজয় হৌদোকতে। অতুগ মীতৈ পাংগলবু কাব কুম শকাব্দ ১৫২৮ দ শান্নব পানা। কাঙজয়নি। অতুগ মণিপুরী মুসলিম পেজ ৭৪ দ ইরিব —"ঙ শগোল কাঙজৈ :—খৃ: ১৬০৮-৯ গি মমাঙগি বেঙ্গলদা শগোল কাঙজৈ য়ান্না পান্না শান্নবগী মতাং অমা 'বাহারিস্তানি গায়ব" তগী লৌখোক্লগা পীজরি।" হায়রিব মতম অসীগি মমাঙ শকাব্দ ১৫২৮ (খৃষ্টাব্দ ১৬০৬) ত মণিপুরদ খাগেম্ব মহারাজন শগোল কাঙজয় শান্ন-খিবগী রা জনাব খানন কাউখ্রে। অতুগ পেজ ২১ দা ইখিব "নোংদা ল্যাইরেল পাখংবগী অ মমাঙদগীনি" হায়খিব রা কাউথোকপগুম ভৌখিদ্রা? মরম অসীন মতাং অসিদ বাহারিস্তানি গায়বক্কি রা পুশিনখিবনি থোইদোকপ কায়কদ লৈতে।

অদুগ শগোল কাঙজয়গি মরমদ পৃথিবী থুংনা কোয়রব নীপা কেচুঙা পুদাইতেন মণিপুরগী লে। কলেজদ শীব লেকচরদ শগোল কাঙজয়গী মরমদ অসুম হায়রমঈ 'শগোল কাঙজয় অসী আমেরিকাগি লাইব্রেরীদা মণিপুরনা হৌদোকপনি হায়না লৈ, মসীদ চিংনকম লৈতে।"

অদুগ শগোল কাঙজয়গী মরমদ শানপুঙ, কাঙজয়নচিংবদ মুম য়েংব নীপা অমন য়েংলবদি ইরায় লায়ন খঙগনি। মণিপুরদ শান্নব শগোল কাঙজয়গ অতোপ্প লৈবাক বৃটিশনচিংবন শান্নবগ মশানন ভিন্নদে। মণিপুরগিনা মীচঙ অমদ মী ৭ন ওই, পাঙল চনকমন কাঙজয়পুঙগি মযুংগি অরোইবদ ওই। অদুগ বৃটিশনচিংব মীরৈবাক্কি মীন শান্নবন মী ৪ ন মীচঙ অম ওই, পাঙলকমন মযুংগি অরোইবদ ময়ায়দ পোষ্ট অনী য়ুংলগ ওই। শাননবগি মওঙ মীচঙ অমসুং পাঙল চনকমগি ফিভম অসী য়েংবদ মীতৈগী মশান্না অসীনা অহৌবগি মওঙনি। অদুগ মীরৈবাককি অসীন শেমদোক্লব মওঙনি। ফিভম অসীমকন মণিপুরন শগোল কাঙজয় শান্নব হৌদোকঈ হায়ব ফজন ভাকলি।

১১। মরম চাদব বাকম।

আলি জনাব খানন ইরকপদ মরম চাদব য়া হেক হেক য়াওরকপঙম তৌই। অসীগুম য়া অসী প্রোফেসারগুম মশক নাইব মীন ইব লাইরিকত য়াওহনজনিঙদে। মাছুদি মৈতেঙঙ, খাগেম্বগি মঙমদ খোকপ খবক পুন্নমক ইতিহাসগি মরুওইব মতম চাব চাদব য়েংবন মুসলমান পুখোকপনি হায়নিঙঈ। অদুগ মণিপুরব লৈরিব পাংগলশিং

অসী লালফাদগি লৈথিবনি হায়ব কাউথোক্তুন মীতৈন থেম্‌ছুন থম্বগুম পোৎ অম কৎপগি মুপী অম পীব, পাংঙল অমা লাক্লব্‌স্তু মীতৈ মুপী অম পী হায়ব অসী য়াম্ন তোয়ন ইনিঙঈ। মসী পাংঙলন লৈবাক অসী লওখিদুন মখোয়ন পানব লৈবাক ওইরবদি লণব য়াই। মাসী ইতিহাসগি প্রমাণ য়াওদ্রবদি য়াদব য়াকনি। জনাব খান, ঙসি কাওব মকক লম্বী খণ্ডবগি প্রমাণ ইরিব ফুৎইন খঙঈ। অদুবু মকক লম্বী শেম্বস্তু মকক শাগৈদ থাংজিননিঙবগি মতৌ উৎলী। অদুগ পাংঙলন লাকদব চহী অমগি মমাঙদ থোকখ্রব দোলাই তোংবগি রা পাংঙলন হৌদোকনি হায়নিঙঈ। জনাব খান মশামকন নোংদা লাইরেল পাথংবগি অ৷ মমাঙদগি শগোল কাঙজয় হৌদোকখ্রে হায়রগ বাহার্রিস্তানি গায়বকি র৷ পুশিন্দুন থোপ মাঙনব থবক তৌঈ। মুম শাবগি সনা মুম্বী হায়ব অসা করি তৌবদগি থোনখিব মনিংনো হায়ব ভাব তাদন খাগেম্বগি মতমদ থোকপনি হায়দুন পাংঙলন হৌদোকপনি হায়নিঙঈ। ওজা মুমজাউন গরিবনিয়াজ মহারাজবু গরিবনরাজ হায়ন পাংঙলন থোন্নবনি হায়ন লওব চুমদে। মিং অসী পাংঙল কনান করম্ব মতমদ করি তৌবদগি থোনখিবনো হায়ব খিকম থোকঈ। মহারাজ অসীগি মতমদ শান্তদাস মহন্ত লাকলে। মহাকন য়্রায়েত ধর্ম্ম পীব মতমদ লাইরবগি চঙফমনি হায়দুন সংস্কৃতকি "গরিব-নি+ অহ ধাতু" দ ওইব 'গরিবনিয়াজ' হায়ব অসী ওগ্রমগত্র৷ থম্বব য়াবনি। দুধঈ, অর্থদ য়েংদুন আরবীগি গরীবনবাজ ওইরুমগনি থবদি য়াই। মাদু নত্তনা পাংঙলন থোনব মিংনি হেক হায়বদি য়ারোই। মাসীমক গরিবনিয়াজ মহারাজগি মতমদদি পাংঙলগি ঈয়াং লৈত্রব মহুমনি।

মণিপুরী 'মুসলিমসি' লামাই -২৭' ত ইরিব -"মৈতৈসী মুফন

খোনবদ পাংঙলগী লৈতুম অমত্তা ওইরবসু ব্রাঙকল্লু* হায়েব অসী পাংঙল ঊপা ঊপনশিংন মণিপুরদ লানকা ওইন লৈরিভৈদগী হাঁসি কাঙল মীতৈ অহল সমম হায়নৈ। মাসিদ মীতৈন পুরকপ ব্রাথলগ প্রোফেসার জনাবন পুবিরিব ব্রাথলগ খর খেন্নরে। মীতৈ হায়ব জাতি অসী থকণি থ্যাণি নাইব জাতিনি। মখোয়ন কদৌনোংদসু মথক খোংব মীদ খৌদাহুন শীজিন্নরমলোই। ঙুমকম খোনবদ পাংঙলগি লৈতুম অমত ওইরবসু ব্রাঙকল্লু হায়বদি মখোয় অসী লাসকানি ঙকম চৎকম খঙদবন চাথুং লেংথুংদ্রবনি, থবক অমত পীদুনা মপুক থন্নব তৌজসনু হায়দুন যুংশিন্দুন হায়ব ওইরমগনি। মাসীগুম্বব ব্রা অসীগি মরমদ খম্বদি কিজম, মতম য়েংদুন খন্নন চুমগনি। -

১২। প্রিন্স সুজা।

প্রোফেসার আলি জনাব খানন ঙৈরগজেবকি ময়াম্বুং প্রিন্স সুজাগি মরমদ মণিপুরদ চঙখিবরা হায়ন থরাম্ন য়াওন নল্লিব অসিদ ঐখোয়গিসু প্রোফেসারগি মতেং ওইনব মোত অমতং পীব ঙম্মা হোৎনসি। জনাব খানন, সুজা মণিপুরদ চঙখি হায়ন চিংনবি। মাঙু মণিপুরী মুসলিম শামাই ১৭ দ ইরিব—"মণিপুরদা আউরঙ-জেবকী মথাম্বা সুজা অসী লোমা চঙলক্লগা মণিপুর নিংথৌদা চঙজফম নিংখি হায়রা তাই। মতুগা থাজবা য়াবা লাইরিক থরদসু মণিপুরদ সুজা লোৎখি হায়ন ইবি।" মাসিদ হায়নিঙনদি "চঙজকম নিংখি হায়ন তাই" হায়ব ব্রা অসীন অকোনবগি লাইরিক অসী লৈতবগি প্রমাণ পীরি। লাইরিক ইরিব থাজব য়াব ব্রা অমু লৈন লৈন অয়েম লৈতব ব্রান মরু ওইন ইবগি করি কান্নব লৈবগে?

মথৎকি রাকম অসিদ জনাব খানদ হংব য়াব রাকম থর লাকই। অহানবদ নিংথৌদ নত্রগ কনাগুম মী অমদ পুন্সিগি চংজকম নিরবদ মমিং মথা তাকন লৈকম পীব, অদুগ মমিং তাক্তব মীগি মরা তারগ হেক য়াকম খোকপ্রা? অদুগ জনাব খানন ইরিব রাভাও অসীবু মীতে অদু মীনম ওইদব থবক তৌবনি হায়রিবরা? অনী-শুবদ মণিপুরদ সুজা লোৎখি হায়রিব থাজব য়াব লাইরিকশিং অদু করি করিনো? মমিং তাক্তব অসীদ অপাব মীন প্রোফেসারন হায়জিনব ওইন খল্লোই, খনবিত্রা? অদুগ প্রোফেসারন থাজব য়াব লাইরিক হায়রি হায়জিল্লগ মতম অসীগি মীন থাজবিগত্রা? অদুগ মাসুম তৌন মফম মরাং খঙদন ইব অস মুসলমান জাতি অমগি ইতিহাস ওইব য়াগত্রা? অদুগ "মণিপুরগি নিংথৌনা চংজকম পীরব মতুংদ মিং ওস্থোকনা চৌংয়া তময়াদা ইচম চম প্রজা অম-গুম্না মীন খঙনরক্লবা হায়দুনা লৈহনখি হায়নন্সু মুসলমান অহল লমনশিংগি মরক্ত হায়নরি।" রাকম অসী হায়রকপ অহল লমনশিং অদু কনানো? মীতৈ নিংথৌন অশেংব মমিং খঙলগ মমিং ওস্থোকন লোৎহনখি হায়রিব অসী মৈতৈ নিংথৌবু হুরানব পোৎয়াব মীগুম পাংগলন শাক্তিমব য়াই সুজা লোৎপ য়াওঈ হায়রিত্রা? মাসী ওইথোকলোইদব রানি। অহলশিং অদুন মীনম রা ভাঙ অম, ত্রগ জনাবন শেমজিনহন ওইদবম অওইব তানব হায়ব অম ওইন থোকই, মতম অদু মীতৈ নিংথৌন পাংগলবু কিব মতম নত্তে, মণিপুর ভৈরজজেবকি মথাদ লৈতবন কদোনোংদসু ওইদব থবক য়াবিরোই। মাসীমক ইতিহাসগি মচাক নত্তব রাচোইনি।

১৩। সুজাগি মরমদ ইতিহাসশিগি ৱাহৈ।

হৌজিককি মথক্তা ইখ্রিব ৯ক্ত খ্রাওদব অরেম্ব রা অসী থমলগা ইতিহাসন সুজাগি মরমদ করি হায়বগে, য়েংলসি। Dr. R. C. Majumdar, Dr. H· C. Roy Chaudhuri, অমসুঙ Dr. Kalikinkar Dutta গি An Advanced History of India দ করি ইরি—'He (Shuja) was chased by Mir Jumla through West Bengal to Decca and thence to Arakan in May 1660. Nothing was again heard of Shuja. He was probably slaughtere I with his family by Arakanese." মখোয়না অহুমগি ৱাহৈ শিখ্রে হায়রগা চিংনবগি ফিভমদ ইরি।

অহগ Lt. Col. Sir Wolselhy Haig কি ৱাহৈন—"But there were many in the plot and the king heard of it in time, Shuja was thus reduced to firing the city and cutting his way out in the confusion. Most of his party was taken and though he himself suceeded in reaching the jungle, he was ultimatly traced and executed. A year later the scenting a plot, starved them all to death, though the eldest was in an advanced stage of pregnacy by himself their brothers' heads were hacked off with dahs". Sir Wolselhy Haig কি ৱাহৈশু হাৎখিবগি রা ইরগ মমৈদ চিংনবগি রা ওইন মাগি মী পুম্নমক, চহী অমগি মতুংদ মখোয়গি জৈমাং উবদগি চাক পীজদন

হাৎখি, মবুংশিংবুন থাগুন কক্তুন হাৎখ্রে হায়রি। মিংথৌ অদুন ঈমাং উজ্জন মখোয় ময়াম হাৎপ অসী সুজা হাৎপগি মতুং চহী অম কোয়গ তৌব ঈরাংনি। মতম অসিদ হাৎপগি রাদ সুজাগি মচ মুপীগি মবুংন থাগুন হাৎখ্রে, অদুগ মতৌম চাক প জদন হাৎলগ মচানুপীদি মশা শংলবন হাৎতে হায়। অদুগ সুজা হাৎপগি রাদি চহী অংগি মমাঙদ হাৎখ্রে হায়রি। মতম অদুগ হাৎলবদি সুজা হাৎলে, নত্রগ চেনখিবগি রা অম শোয়দন পনকম থোকই। অদুবু মতাং অসিদ করি অমত পন্নয় মরমন সুজা হাৎখিবদ লৈপ্লে। চহী অমগি মতুংদ হওরকপ ঈরাংদি নিংথৌগি উশিৎতব লমচংতগি হওবনি। সুজাগি মচানুপীন মশা শংদব, অদুগ ময়াম হাৎপদ মহ কপু হাৎতনবু প্রমাননি।

অদুগ Vincent Smith ন ইব "The Oxford History of India" গি রানি—"Mir Jumla pursued the prince unrelenting by with an army fivefold the strength of his and drove him across Bengal to Decca and thence over to Arakan frontier in Mav, 1660. He and his family members were slaughtered by the Arakanese, but the exact details were never ascertained and false reports that Shuja still lived, continued to be current for some years.'

মহাকি মোত্ত অসীসু হাৎখ্রেদি হায়রবা অরেপ্প তশেংনা থঙদে, হায়বা হিংলবগি থোকপা অমা পনমখ্রি।

অদুগ R. P. Tripathi ন ইব "Rise and fall of the Mughal Empire" গি মোতন – "Shuja fled through Decca to Arakan and threw himself under the Protection of the Arakanese Pirates (May 1660). Thence he disapeared for good from the scene. It is stated that he involved himself in a conspiracy to assassinate the king of Arakan but the conspiracy was detected and he was killed. It was also rumoured that he went away to Mecca.".

ত্রিপাঠিস্থ আঁরাকান নিংথৌন স্থজা কাৎথ্রে হায়বম্লগ মক্কাদ চৎখ্রে হায়ব তোকঙা অন থোকখি হায়বি। মাসিদ তোকঙা অসী স্থজাগি মীন গথোয়বু মকম খঙদন নৈব অদু তোকনব মক্কাদ চেনখ্রে হায়জিনব ওইরম্ব য়াই। মাসিদ খন্নব য়াবদি স্থজা শিবগি রাঁদি মথো॰ পুন্নমক মান্নবগ তোকঙাগি রাফমদি অমগ অমগ মান্নদব অসীনি।

অদুগ Sir Jadunath sarkar গি 'History of Aurangzib ত ইরিব – "When Shaista khan, Mir Jumla's successor conquered chatgaon from the Maghs (1666) He evidently got no certain news of Shuja or it would have got into the official history. The European traders who had free access to Arracan were likely to be best informed and I believe that the truth lies in what they have recovered of Shuja's fate.

From this source, we learn, 'Manv dwellers in Arracan, Mogul and Pathan——showed themselves inclined towards him (Shuja). He planned an outbreak intending to slay the king and take his kingdom and then advance once more to test his fortune in Bengal. The king of Arracan heard of the plot and planned the assassination of Shah Shuja. Shah Shuja with a few men fled into jungle. The Maghs .... pursued the poor prince ..... cutting his body into pieces." This story is based on the report of a Dutch merchant named Jan Tak to Aurangzib. The official records of the Dutch factory first state that on 7th February 1661 when Shuja's house surrounded by the Arracanese, he set fire to it and escaped with his family and followers toward Tippura. But they finally take a different view and assert. "Although there can be no certainty, the fact is that he was killed in the first out break and that his followers concealed the fact and spread the false news that he had fled into the jungle".

যদুনাথ সরকারগি বা অসৌ নৈনদুন য়েংবদ মহাক্কি মোতত সুজা শিবগি বা অসী অরেম্ব ওইন লাওরি। অতগ তোকডা শম্মোক-পন মাগি মীন অশেংব লোংলগ শম্মোকপনি হায়রি।

সরকারগি রা অসী আরাকান্দ চৎখোক চৎশিল য়াব ইউরো- পিয়ান লল্লোনবদগি লৎবনি। মতুদি "The European traders who had free access to Arracan were likely to be best informed and I believe that the truth lies in what they have recovered of Shuja's fate". মাসিদ সরকারন মখোয়গি বা লৃওবগি মরমদি হিষ্টরিয়ান অতৈন পীব পাউন অরেপ্প লৈতে। অতুগ মখোয়গি পাউ অসীদি Dutch লল্লোনব Jan Tok ন আউরঙ্গজেব মশামক্ত পীখিব রিপোর্টতগি লওব বানি। অতুগ শিবগি মরমদ সরকারন "The fact is that he was killed in the first out break" হায়তুন মতম পীরি। সুজা হাৎখিবগি র ন "Shah Shuja with a few men fled into jungle. The Maghs .....persued the poor prince .....cutting his body into pieces" হায়ন পীবি। অতুগ হিংলি হায়ন তোকঙা শনলোকপগি বান "That his followers concealed the fact and spread the false news that he had fled into jungle." মাসী Dutch কি লল্লোনব Jan Tok ন আউরঙ্গজেবমক্ত পীখ্রব রিপোর্টনি। মাসিদ য়ানিঙত্রবদি মতুংদ করম্ব অগুপ্প মরম অম লৈরিবগে?

অতুগ Sing and Bennerjee ন হায়বন "He (Shuja) got 40 followers and fled to Arracan......According to Dutch report he was slain there by Maghs in 1661" হায়ন ইরি। মখোয় অনীগি মোতম্ব সুজা শিখিবদ লেপলি। Sing and Bennerjee ন সরকারগি মরা লওবগি মরম অমন

সরকারগি অহানব পেরেগ্রাপ য়াওরিব – "It is utterly unknown in what country he is and what is he doing or whether he has been sent to realm of the dead." অসী হায়রগা মহাকন করি হায়রি – "In Arracan all traces of Shuja dis-appeared - none (in India) got any sign of him," মাসীন আউরঙ্গজেব শিব নত্তন করিস্নু ওইরোই।

অদুগ Dr. John Peter Wode ন ইব An Account of Assam দ অস্নুমন ইরি "He despatched Mirzamoola with an army to expel Booza Suja) who fled to Manipur, the capital of the Mugglo Rajah".

আলি জনাব খানন জে: পি: রাডকি সুজা মণিপুরদ চঙখি হায়ব রা অসীগি মথক্ত হাপখৎতুন 'সুজানা মণিপুরদ চেনশিল্লকলি৭া অসি আরাকান্দগী ত্রিপুরা অমসুং কাছাড় ফাওদ্রুনা চেনশিল্লকখিবা ওইরম্বা তাই" হায়ন ইরি। জনাব খানন ইবদ "ওইরম্বা তাই" হায়ব রা অসী জে: পি: রাডকি. রা নত্তে, জনাব খানগি হাপচিনব মশেম্ব য়ানি। অদুগ মাসী ইরমদাইদ রা অসী খল-হনজনিঙঈ—সুজা হায়ব নীপা অসী মিরজুমলান তাম্নবদ বেঙ্গলদ, অমসুঙ ঢাকাদ লৈব য়াদদুন আরাকান্দ লোৎলিবনি। অদুগ শায়েস্ত খানন চঁাদগাও লৌত্রিলৈঙদি চঁাদগাও অসী মোগকি মথুত্ত লৈরি। অদুন সুজান করম্ব মোগ অমসুঙ মোগলগি লম লানদুন মণিপুরদ চঙগদবগে হায়ব খঙ্গুবিরম্নবদি মথক্তি রা অসী ইরমলোই। অদুগ সুজান মণিপুরদ চঙখি হায়ন জনাব খানন নিঙলিব অসী পাই-খোম্ব মহারাজগি মতমদনি। অদু ওইরবদি মোগকি লমগ মোগলগি

লম বেঙ্গলদ চহী ৪/৫ দি লোস্তুন লৈব তাই। পাইথোক্ষন কম-বান কাব খৃঃ ১৬৬৬ অসী শায়েস্তা খানন চাঁদগাও লওব চহীনি। মগুং অসিদ স্নুজান চাঁদগও, ত্রিপুরা লাক্লগ মণিপুর চঙব ওই-থোক্কব থবকনি। ডাক্তর জে, পি, বাডন আরাকানগি রা পল্লমদন মিরজুমলান তাম্নবদগি মণিপুর চঙহনব অসীসু লওব য়াব রাক্ম' থোক্কে। আলি জনাব খানন স্নুজাবু জে, পি, বাডকি রা মতুং ইন্ন মণিপুরদ পুশিল্লমদাইদ Dr. R. C. Majumdar 'খোয়গি রা —' He was chased by Mir Jumla through West Bengal to Decca and thence to Arakan in May, 1660 × × he was prob ıbly slaughtered with his family by Arakanese.''

অদুগLt. Col. Sir Wolselhy Haig কি রা "Most of his parrty was taken and though he himself succeded in reaching the jungle, he was ultimatly traced and executed"

অদুগ Vincent Smith কি রা ''He and all his famiy members were slaughtered by the Arakanese.

অদুগ R. P. Tripathi কি রা—"But the conspiracy was detected and he was killed." মাসিসু য়েংবিক্ম থোক্কই।

Sir Jadunath Sarkar কি রা—"Shah Shuja with few men fled in to jungle. The Maghs + + + pur-

prince+ + + cutting his body into

অদুগ Sing and Bennerjee গি বা—"According to Dutch report he was slain there by the Maghs in 1661.

মথকখি পুয়মক অসী য়ংবিরগ অলি জনাব খানন সুজান [illegible] চঙলগি ইবন ফজগনি। হিষ্টরিয়ান অয়াম্বন সুজা হাং-[illegible]গি [illegible] চপ মাঠে। অদুগ মহাক নাহোক্লুনা চৎখিবগি রান [illegible] পুয়মক অমত মায়দে ; [illegible] অসীন সুজা শিখ্রিবন চুমগনি। অদুগ মহাকখি মরমদ খোকখিব তোকড়া অসীগি মরম অনী উই। অমন ঔরঙ্গজেব কি মীন মহাকি মরমদ অশেংব খঙনব মাগি মীদ নৈবদ খাঙব ঙমজদুন চেনখ্রে হায়ব তোকড়া ওইব য়াই। অমন আরাকানিজশিংন সুজাগিদমক মোগল নৈব কিবদগি সুজা চেনখে হায়দুন তৌব তোকড়া অম ওইব য়াই। মাসীমক সরকারগি [illegible]—"That his followers concealed the fact and spread the false news that he had fled into the jungle". মরম পুরমক অসী যেংবদ সুজা শিখে, তোকড়া মহাকি মীন শেঙ্গনি হায়বন সরকারন হায়রি।

অরোইবদ, ঐখোয়না হায়জনিঙবদি সুজাগুম অকাওব মীপা, [illegible] কয়গি বাখোক্ত যেক্রবন ধফংব মকমদ হাংকুলবগি তারিখ, [illegible] মনমতন নৈ হায়ব [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

... প্রকম অতুন লোৎপ ওইখোকভর বালি। মালিদ ষে, লি, ... মাখল ইতৌ তৌদন ইরমলিব অসী খরন একতব ওয়ে। ... পুয়মক অসী য়েংবদ ঐখোয়গি মোতত্তি অচুম্নন পুয়মক মায়ক ... নবালিবন অমগ অমগ মায়ব হওনদবন হিন্তরিয়ান পুয়মক শিংগ্রে ... মতুংইম শিংগ্রে হায়ন লওরে। মরম অতুন শিংগ্রব মুক্ত মণিপুরদ ল্যাকব লেপলে। অমন নোংশমৈ পুরান, লাইরিক য়েংবদ নোংশমৈগ মতম শোয়নব মরম অশেংব ল্যাইরিকি হায়ন লেপলে। অতুগি মথক্ত লাইরিক অসী নিংথৌগি পণ্ডিতন অমস্তুঙ নিংথৌম খণ্ডদবগি প্রমানগ অতুগ মুসলমানগি পুরানবু মরম ইচা চাদন মশক খণ্ডদব মমিং নোংশমৈ থোনব অসীন নোংশমৈ মুসলমানগি ইতিহাস হায়ব য়াদে। মরম অতুন নোংশমৈদ ইরিব মরা লওব য়াব ... নত্তে। অতুগ প্রোফেসার আলি জনাব খানন ইবদ "মণিপুরী মুসলিম হায়বা লাইরিক অসী মরু ওইনা 'নোংশমৈ পুরান' দ মুমফম ওইতুনা ইজব লাইরিকনি।" হায়ব মরম অইব মশক খণ্ডদব নোংশমৈন মুমফম ওইব জনাব খানগি 'মণিপুরী মুসলিম' মরা লওব য়াব লাইরিক নত্তে। অতুন মাসী মুসলমানশিংগি ইতিহাসমু ওইব য়াদ্রে।

লোইরে।

মাথংহোবা অমতং :—খগোল কাঙজম্ব গী লোইশিনলকপদা—

খগোল কাঙজম্বগি মরমদ ঋতৈ লাই,হরাউবন মাইবীন কাঙজম্ব ... লাইরিব অতু জনাব সাহেবন ইং ... ...